# অনিরুধা মিশিগী মতাংদা থিজিন্নবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

অগরটালা, মে ২৮ (এজেন্সী):
থা অসিগী ১৯ দা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা অনিরুধা চক্রবোর্টি মিশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা অগরটালাদা লৈবা লোকেল কোর্ট অমনা ঙসি ত্রিপুরা পুলিসতা খঙহনখ্রে।

অনিরুধা চক্রবোর্টি অগাটালাগী রাম নগরদা লৈবা মহাক মশাগী যুমগী তুমফম কাদা মে ১৯ গী নুমিদাংৱাইরমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরমখিবনি। মহাক লুহোংবগী নুমিৎ ২৬ নি শুবা নুমিত্তা থৌরি য়ান্দুনা শিরমখি। মহাক্কী মীশি অদু চিংনিংঙাই ওইবা মরম্না কোর্টনা কুপ্না থিজিন্নবা ত্রিপুরা পুলিসতা খঙহনখিবগা লোয়ননা জুন ২৫ ফাওবগী মনুংদা ইনক্বাইরি রিপোর্ট সম্মিট তৌরক্নবা খঙহনখিবনি।

লৈখিদ্রবা অনিরুধাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনদি মহাক্না থৌরি য়ান্দুনা শিরমখিবা অদুদা মহাক্কী লোয়নবীগী খুজিন থৌরাং য়াওরম্বা য়াই হায়না মরাল শীরি। লৈখিদ্রবা অদুগী নুপীনা মহাক্কী নুপানা শীজিন্নবা স্মার্ট ফোন অদুদা য়াওবা মেসেজ খুদিংমক দেলিট তৌরমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবা লৈখিদবা নুমিৎ অদুমক্তদা মহাক মপামদা হনখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা ৱেষ্ট অগরটালা পুলিস ষ্টেসনদা চত্তুনা কমপ্লেন তৌখিবনি। অদুবু পুলিসনা হীরম অদুগী মতাংদা কেস রিজেষ্টর তৌ হায়বা য়াখিদে হায়রি। মদুগী মতুং লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা ৱেষ্ট ত্রিপুরা চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট পি পি পোলগী কোর্টতা তোয়না চত্তুনা হীরম অদুগী মতাংদা এক্সন লৌখৎনবা হায়জখি। মদুগী মতুং কোর্টনা পুলিস ষ্টেসন অদুগী ওফিসর ইন চার্জতা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা থিগৎনবা খঙহনখিবনি।



ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টনা প্রামোট তৌবা ওইনা আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা মন্ত্রিপুখ্রি বটালিয়ননা মণিপুর হোকি ফেদরেসনদা হোকি ইক্বুইপমেন্টশিং তেংবাংখিবা

# মিষ্টর মেঘলয়া লাংপেন কোভিদ কমপ্লিকেসনদগী লৈখিদ্রে

শিলোং, মে ২৮ (এজেন্সী):
অহুমলক হন্না মিষ্টর মেঘলয়াগী টাইটল লৌখ্রবা পিনশংগাইন লাংপেন কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসন্না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। টেষ্ট তৌবদা শাথিরবা লায়না অসিগী ইনফেক্সন লৈরম্বদগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংলকখিবা মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ষ্টেট অসিগী বোদি বিল্ডর অসি শগোলশেন নুমিত্তা লৈখিদবনি।

পিনশংগাইন লাংপেন বোদি জু জিমদা ত্রেন তৌখি অমসুং কুমজা ২০১৪, ২০১৫ অমদি ২০১৬ দা জিম অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌখিবদা মিষ্টর মেঘলয়াগী টাইটল ফংখিবনি। মহাক স্কল্পটর অমা ওইবগা লোয়ননা রিটি একাদেমি ওফ ভিজুয়েল আর্টকী মেম্বর অমসু ওইখি।


পনবা য়াবদি থা অসিগী ২৫ দা মেঘলয়াগী হান্নগী ষ্টেট কিক বোক্সর ৱেষ্টরৱেল খারুমনুইদসু কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। মহাক মেঘলয়া ষ্টেট কিকবোক্সিং এসোসিয়েসন, মেঘলয়া কুরাস এসোসিয়েসন অমসুং এম এম এ মেঘলয়াগী ফাউন্দিং মেম্বরনি।

# এদভাইজরি পেনেলদা মশক নাইবা মীওই হেন্না হাপচিন্নবা তকশিনখ্রে

কোহিমা, মে ২৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ পেন্দিমিক্কী লুশিল্লক্লিবা ফীভম নীংথিনা মোনিটর তৌনবগীদমক্তা শেমখিবা এদভাইজরি পেনেলদা ষ্টেট অসিগী অহেনবা মশক নাইবা মীওইশিং য়াওহন্নবা নাগালেন্দ কোংগ্রেসনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে।

নাগালেন্দ কোংগ্রেসনা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থেংলবসু থেংনা কোভিদ-১৯ গী ইমর্জেন্সি রেস্পোন্সকী মতাংদা এক্সপার্টশিংগী এদভাইজরি পেনেল অমা শেমদুনা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এস দি এম এ) অমসুং ষ্টেট একজিক্যুটিভ কম্মিটি (এস ঈ সী) দা এক্সপার্ট ওপিনিয়ন পীনবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি তরাম্না ওকই।

অদুমওইনমক এক্সপার্টশিংগী পেনেল অদুদা য়াওরিবা মীওই অহুম ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী ওইবনা মখোয়না খন্না নৈনরকপা মতমদসু ভার্চ্যুয়েল ওইনা চখৎগদবা ওইবনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা লায়চৎ অসিগী ফীভমগী খন্নরকপদা খুদোংচাবা ৱাৎকনি হায়না পার্টি অসিনা লৌই।




## CROSSWORD-3794

### ACROSS
1 Pass the night in the open air (7)
5 Writers of verse (5)
8 Desert plants (5)
9 Canned fish (7)
10 Whaling weapon (7)
11 Footwear (5)
12 Cord (6)
14 Maintenance (6)
18 Subject (5)
20 Weave, interlace (7)
22 Tribulations (7)
23 Depart (5)
24 Jewish term for non-Jews (5)
25 Breed of cat (7)

### DOWN
1 God of wine (7)
2 Cleric (5)
3 Fabulous animal (7)
4 Gambling establishment (6)
5 Sounds contented (5)
6 Part of a serial (7)
7 Appears to be (5)
13 Swiftly (7)
15 Knee bone (7)
16 Go before (7)
17 Brutes (6)
18 Flexible part of a whip (5)
19 Attractiveness (5)
21 Fatuous (5)

**Solution 3793**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী হেল্থ ইন্সুরেন্স বেনিফিট হেনগৎহনখ্রে



শিলোং, মে ২৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ নাদুনা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলিবা পেসেন্টশিংগী ষ্টেট হেল্থ ইন্সুরেন্স বেনিফিটশিং হেনগৎহল্লগনি হায়না মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা এক্স গ্রেসিয়া লাউথোকখ্রবনি। ইন্সুরেন্স বেনিফিটশিং অদু মেঘলয়া হেল্থ ইন্সুরেন্স টিম (এম ঐচ আই এস) কী মখাদা কোভর তৌগদবনি।

হোস্পিটালশিং লায়েংলিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং হৌজিক লৈরিবা লুপা ৪,৯০০ অসিদগী হেনত্তুনা লুপা ৬০,০০০ গী ইন্সুরেন্স কোভর ফংলগনি। মসিদা নত্তনা লৈখিদ্রবা পেসেন্টশিংগী ইমুংশিংনা লুপা ৫০,০০০ গী এক্স গ্রেসিয়াসু ফংগনি।

শেনফম অসি লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুংশিংদা চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌহন্দুনা পীগদবনি। ইরাই নুমিত্তা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিনসোনা শিলোংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট হেল্থ ইন্সুরেন্স বেনিফিটশিং অদু বেনিফিসরিশিংদা খুদক্তা রিলিজ তৌগনি।

ৱারেপ অসি গভর্ণমেন্টনা হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং এম ঐচ আই এসকী ওফিসলশিংগা তান্নরবা মতুংদা লৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীওই চাদা ৫৮.৫ এম ঐচ আই এসনা কোভর তৌই। ইন্সুরেন্সকী থুদোংচাবা অসি ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং নত্তনা ষ্টেট অসিগী মীওই খুদিংমক্না লৌবা য়াগনি।

ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদি মেদিকেল বিলশিং রিইমভরস তৌবা য়াই। তিনসোংনা মীয়ামদা কান্নবশিং অদু লৌনবগীদমক এম ঐচ আই এসকী মখাদা ইনরোল তৌবগা লোয়ননা ইন্সুরেন্স স্কিম অসিগীদমক রেজিষ্টর তৌনবা আপীল তৌখি।

হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি অসিদা ষ্টেট অসিগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা গভর্ণমেন্টতা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং মতেং পাংনবা তকশিন্দুনা লাকপনি।

# নাগালেন্দনা লোগী ৱাংমদা অসামগী লম খোপচিল্লক্লবদি নাগালেন্দগী মথক্তা কন্টেম্প কেস ফাইল তৌগনি: দি জি পি

গুৱাহাটি, মে ২৮ (এজেন্সী):
অসাম অমসুং নাগালেন্দ তায়নবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক অসামগী স্পেসল দি জি পি জি পি ঙসি মফমদুদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা করিগুন্জ লোগী ৱাংমদা অসামগী লম খোপচিল্লক্লবদি নাগালেন্দগী মথক্তা কন্টেম্প কেস অমা ফাইল তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসাম অমসুং নাগালেন্দগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা মারিয়ানি কন্সটিট্যুয়েন্সিনা কোনবা মফম খরদা নাগালেন্দনা লম খোপচিল্লে হায়বগী পাউ ফংবদগী এ সী অদুগী কোংগ্রেস এম এল এ রুপজ্যোটি কুরমিনা ঙরাং মহাক্কী সেক্যুরিটিগা লোয়ননা মফমদুদা য়েংশিন্নবা চঙশিনখিবনি। মফমদুদা হেক য়ৌবগা নাগালেন্দগী মায়কৈদগী মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বা মীওই খরনা এম এল এগী এনভোয় তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি।



থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ষ্টেট অদুগী দি জি পিদা ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা স্পেসল দি জি পি জি পি সিংহনা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দ অমসুং অসামগী ঙমখৈ শরুক্তা চয়েৎনবা খরা লৈবদগী হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা কেস লৈরিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী কেস মরক্তা লোগী ৱাংমদা অসামগী লম খোপচিল্লক্লবদি নাগালেন্দগী মথক্তা কন্টেম্প কেস ফাইল তৌগনি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক জোরহাট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিংদা খঙহনখ্রে। পুং ৪৮ গী মনুংদা গভর্ণমেন্টতা হৌজিক ওইরিবা লমগী চয়েৎনবা অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীখৎনবা হোৎনরি।

সুপ্রিম কোর্টকী দাইরেক্সনগী ৱাংমদা নাগালেন্দদা থবক তৌরল্লবদি মদুগী ফল মখোয়না ফংজগদবনি। দিসোই ভেল্লি রিজার্ব ফোরেষ্টকী প্রোব্লেম অসি মতম শাংনা লোয়শিন্দনা লাক্লিবা অমনি। কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোয়বা ৱারোইশিন অমা পীদ্রিবনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী মায়কৈদগী হেক্তমক এক্সন লৌখৎপদা খুদোংচাদবা খরা লৈগনি। মরম অদুনা লো দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবসু খঙহনখ্রে।

চয়েৎনরিবা মফম অদুদা হৌজিক অসাম পুলিসকী অহেনবা পর্সনেলশিং দিপ্লোয় তৌদুনা ফোরেষ্ট গার্দশিংগা লোয়ননা পেট্রোলিং চৎহল্লগনি। নাগালেন্দগী দি জি পিদসু হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না ৱারী শাদুনা খঙহনবা লৈখ্রে হায়রি। অমরোমদা এম এল এ কুরমিনা মঙোন্দা এটেক চথরকখিবা অদুগী মতাংদা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে।

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3593

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | 2 | | 4 | |
| 6 | | | | | 4 | | | 5 |
| | 4 | | 3 | | | 1 | 2 | 9 |
| | | | 5 | | 3 | 8 | | 1 |
| | | | | | | | | |
| 1 | | 5 | 9 | | 8 | | | |
| 4 | 6 | 1 | | | 5 | | 9 | |
| 8 | | | 6 | | | | | 4 |
| | 9 | | 2 | | | | | 6 |

## Solution-3592

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 9 | 1 | 5 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 | 5 |
| 6 | 1 | 5 | 9 | 8 | 2 | 4 | 7 | 3 |
| 1 | 7 | 3 | 2 | 9 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 2 | 6 | 8 | 7 | 3 | 4 | 1 | 5 | 9 |
| 5 | 9 | 4 | 6 | 1 | 8 | 7 | 3 | 2 |
| 8 | 5 | 6 | 4 | 2 | 1 | 3 | 9 | 7 |
| 3 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 | 5 | 2 | 1 |
| 9 | 2 | 1 | 5 | 7 | 3 | 8 | 6 | 4 |

## EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 ? 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

---

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 Rs 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 Rs 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 Rs 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 Rs 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

